Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

হুয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরনা দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিক হেল্থ দেন্টিষ্ট্রি অমসুং রিমসকী দেন্টেল কোলেজগা খৃৎশম্নদুনা হৈরোক সী ঐচ সীদা পাঙথোকখিবা ফ্রী দেন্টেল কেম্প

নুপী ৰিভরস ৰেলফেয়র এসোসিএসনগী সিলভর জুবিলী থৌরম সগোলবন্দ লুক্রাম লৈরক পার্ট-থ্রীগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবগী শক্তম অমা

SILVER JUBILEE CELEBRATION
OF
THE NUPI WEAVER'S WELFARE ASSOCIATION

ৰর্ল্ড ওরেল হেল্থ দেগা মরী লৈননা শীজ হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুটনা শীন্দুনা উরিপোক বচম্পটি লৈকাইদা লৈবা নির্মালা হাউসতা ফ্রী দেন্টেল স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকপগী শক্তম

DENTAL SCREENING
on observation
20th March, 2019
WORLD OR
HEALTH D
Hospitals
Nirmala House

সোসল এন্দ কলচরেল এদভান্সমেন্ট ফাউন্দেসন খুরাই থৌদামনা লৈকাইনা শীন্দুনা প্রেগমেটিক সোল্যুসন ফোর এল্ডরলি পর্সন হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা সেমিনারগী শক্তম

Vol. 42, Issue No.354 শগোলশেন, লমতাগী থানিল অপূনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Thursday, March 21, 2019, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

সী এ বি লো ওইনা চৎনহন্দনবা থেংনগনি, মণিপুরগী পুৰারী ঙাক্কনি : রাহুল

‘কোংগ্রেস লৈঙাক লাক্লবদি অৰাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা স্পেসল কেটগরি ষ্টেটস হঞ্জিনহনগনি’

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস): সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সী এ বি) লো ওইনা চৎনহন্দনবা কোংগ্রেসনা চপ চানা থেংনগনি। মণিপুরগী পুৰারী, নাৎ ঙাক্কনি হায়না ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটি (এ আই সী সী)গী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ঙসি হপ্তা কাংজেবুং কোনুং মমাংদা পাঙথোকখিবা মীয়াম তিনবা মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ৰা ঙাংলদুনা রাহুল গান্ধীনা হায়খি, সী এ বিগী মায়োক্তা কোংগ্রেস পার্টিনা লেপ্পুনা লাক্লি। পার্লিয়ামেন্টতসু সী এ বিগী মায়োক্তা কোংগ্রেসনা লেপ্পুনা লৈখি। সী এ বি লো ওইনা চৎনহন্দনবা চপ চানা থেংনগনি। মণিপুরগী পুৰারী, নাৎ অমদি শক্তমশিং ঙাক্কনি।

লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসি ইচম-চম্বা মীখল অমা নত্তে, বি জে পিগী অরানবা থৌওং কয়াগী মায়োক্তা তুংগী লাইবক লেপকদবা য়াম্না মরুওইবা মীখল অমা ওইগনি। মণিপুরগী তাঙলবা পুৰারী অমদি নাৎকী ফজরবা মশক অসি কোংগ্রেস পার্টিনা ঙাক্কনি। নোর্থইষ্টকী তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়াগী ফজরবা নাৎ, পুৰারী কয়া অসি বি জে পিনা এটেক তৌনবা হোৎনৈ। নোর্থইষ্টকী তাঙলবা পুৰারী অমদি নাৎকী শক্তমশিং কোংগ্রেস পার্টিনা ঙাক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

Hapta Kangjeibung, Imp
PRADESH CONGRESS COM

কোংগ্রেসকী লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদা নোর্থ ইষ্ট অসি স্পেসল কেটগরি ষ্টেটসতা থন্নম্বনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, নোর্থ ইষ্টতা ইন্দষ্ট্রিগী লম্‌দা চাউখৎহন্নবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দষ্ট্রিএল দিভলপমেন্ট পোলিসিনচিংবা পায়খৎলম্বনি। অদুবু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা সেন্টরদা লাক্লবা মতুংদা পূম্নমক অসি মুত্থৎখ্রে। সেন্টরদা কোংগ্রেসকী লৈঙাক অমুক হন্না লাক্লবদি স্পেসল কেটগরি ষ্টেটস হঞ্জিনহনগনি। ইন্দষ্ট্রিএল দিভলপমেন্ট পোলিসিসু অমুক হন্না লৈহনগনি।

থবক ফংদবগী অৰাবা অসি হৌজিক য়াম্না মরুওইবা ক্রাইসিস অমা ওইরক্লি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মমা-মপা ওইবা কয়ানা মচাশিংবু থবক ফংগদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোক্লদুনা লৈরি। সেন্টরদা পাল্লিবা এন দি এ লৈঙাক্না চহী ১ দা মীওই ক্রোর ২ থবক পীগনি হায়না লাউথোকপা লৈখি। অদুবু লৈঙাক অসি লাক্লবা মতুংদা থবক পীবগী মহুৎতা হান্না লৈজরম্বা থবক কয়া মুত্থৎখ্রে। হৌখিবা চহীদা নোংমদা থবক ৩০,০০০গী চাংদা মুত্থৎখি। সেন্টরগী লৈঙাক অসিনা ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনা থবক ক্রোর ১ হেন্না মুত্থৎখ্রে। মচীন্দনা থবক পীগনি হায়না লাউরগা হান্না লৈজরম্বা থবক কয়া মুত্থৎপগী থবক চত্থরি।

লুক ইষ্ট পোলিসি হায়না লৈরম্বা অদুসু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী মতমদা এক্ট ইষ্ট পোলিসি হায়না মমিং ওন্থোকখি। অদুবু এক্ট ইষ্ট পোলিসি হায়রবসু থবক ওইনা উথোকপগী মমি তাদে। মণিপুর অসি এসিয়াগী লৈবাকশিংগা শন্নবা য়াম্না মরুওইবা মফম অমনি। অসিগুম্বা মফম অসিদা এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী অখন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎপা তঙাইফদে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা হায়দোকখিবা ৰাফম কয়া থবক ওইনা ওন্থোক্তনা লৈরি হায়না মরাল শীরদুনা মহাক্না হায়খি, রফেল জেট ফাইটর লৈবগী মতাংদসু কন্ট্রেক্ট পীবদা অরানবা থৌওং কয়া চত্থখি। বি জে পিগী ৰাখল্লোন অসি মখোয় খক্তগী ওইবা মীৎয়েং অমদা চত্থরকপগী মওং ওইরি। কোংগ্রেস-কীদি মীপূম খূদিংমক অমত্তা ওইনা পূন্না চৎমিন্নবগী ৰাখল্লোন লৈ। কোংগ্রেস পার্টিনা মীপূম খূদিংমক নুংশি-চাননা অমদি ঈংনা-তপ্না লৈমিন্নবদা মীৎয়েং থম্মী।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা দিমো-নেটাইজেসন তৌখিবা মতমদা মীয়ামদা অৰাবা কয়া মায়োক্লহনখি। ইন্দষ্ট্রি মচা কয়া অমা মুৎহনখি। স্মোল অমদি মিদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস কয়া মুত্থখি। মসিনা থবক তৌজরম্বা মীওই কয়া অৰাবা চৈথেং নংহনখি। জি এস টি হায়না হৌরক্লিবা টেক্স মখল অসিসু মীয়ামগী য়াইফনবা পায়খৎপা নত্তে। হীরম কয়াদা অৰাবা থেংনহল্লি। লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসি অরাইবা মীখল অমা নত্তে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা ৰা ঙাংলদুনা সী এল পি লীদর ওক্রম ইবোবীনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা কুমজা ২০১৪ দা মীখলগী কেম্প্যেন লাকপদা তোঙান-তোঙানবা ৰাফম কয়া থন্নমখি। শেঙ্গা-থুমজা লৈহল্লোই হায়বা ৰাফম থমখি। মতম অদুদা ইবোবী ১০ পর্সেন্ট হায়না ফাওবা হায়রমখি। অদুবু হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিদি পর্সেন্টেজ কয়া য়ৌরবগে হায়বদু পূম্নমক্না খঙনরবা ৰাফমনি। মীখল মমাংদা ষ্টেটসিদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়া মথং-মথং লাক্লম্মী। অদুবু ষ্টেটসিদা করম্বা অনৌবা প্রোজেক্ট পায়খৎখ্রবগে হায়বা ৰাফম লাক্লি। কোংগ্রেসকী মতমদা শেমগৎলন্নবা থবক কয়া বি জে পি লৈঙাক অসিনা সুনু হাইজিল্লগা শঙ্গানবা থিবগী মওংদা লৈরি। প্রধান, মেম্বরশিংনা তৌজগদবা থবক কয়া ষ্টেটসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা তৌদুনা লৈরে। চীংদা চৎসি অমদি খুঙ্গংদা চৎসি হায়না চত্থরিবা থৌওং কয়া অসিদা প্রধান, মেম্বরশিংনা তৌবা য়াবা থবক কয়া তৌদুনা লৈরি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি আই সী য়ুদা লৈরবা অনাবগুম্বনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা ৰা ঙাংলদুনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমনা হায়খি, বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টরদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা হায়দোকখিবা ৰাফম কয়া থবক ওইনা ওন্থোক্তে। নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামদা ...

মখা লামায় ৩ কলম ২

Important Phone Nos.

Fire Service	101
RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100
Imphal P/S	2450002
City P/S	2458515
Lamphel P/S	2414616
Singjamei P/S	2450316
Porompat P/S	2441404
Patsoi P/S	2436015
Lamsang P/S	2413725
Wangoi P/S	2434066
Nambol P/S	2453235
Lilong P/S	2432246
Irilbung P/S	2571216
Lamlai P/S	2426149
Sekmai P/S	03875 -266208
Mayang/Imphal P/S	03879-209306
Thoubal P/S	03848-222305
Yairipok P/S	03848-263232
Kakching P/S	03848-261229
Moreh P/S	03873-261210
Moirang P/S	03879-262201
Jiribam P/S	03876-221205
Bishnupur P/S	9615230277

Today's Flights Timing (Non Stop only)

IMPHAL	→	BENGALURU
IndiGO		09:55
IMPHAL	→	DELHI
Air Asia		12:55
IndiGO	→	14:30
IMPHAL		GUWAHATI
IndiGO		09:45
Air Asia	→	11:15
IndiGO		12:10
IndiGO		13:45
Air India		14:20
IMPHAL		HYDERABAD
IndiGO	→	10:10
IMPHAL		KOLKATA
IndiGO	→	11:00
Air India		13:55
IndiGO		14:25
IndiGO		15:20

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৭.০৪ °C	১৪.৮৯ °C
চান্দেল	৩৩.৫২ °C	১১.৬৬ °C
সীসীপুর	২৭.৬৯ °C	১৪.২ °C
ইম্ফাল	২৭.৯৪ °C	১৪.০২ °C
সেনাপতি	২৩.৪৭ °C	৮.০৯ °C
তমেংলোং	২৯.৭৪ °C	১২.১৮ °C
থৌবাল	২৬.৩৪ °C	১৪.১ °C
উখ্রুল	১৮.০৪ °C	৭.৬৭ °C
মণিপুর	৩৩.৫২ °C	৭.৬৭ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৬.৫৩ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৬
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	78.142690
US Dollar	68.812787
British Pound	90.983827
Australian Dollar	48.803433
Chinese Yuan Renminbi	10.278333
Japanese Yen	0.616954
Malaysian Ringgit	16.924581
Australian Dollar	48.803433
Singapore Dollar	50.961045
South Korean Won	0.060905
Saudi Arabian Riyal	18.350077
Thai Baht	2.168706
Myanmar Kyat	0.04472
Bangladesh Taka	0.81592

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	Rs	32502.67
Mumbai	Rs	33422.46
Delhi	Rs	33369.83
Kolkata	Rs	33689.84

HL POLL

Q : Yaoshang khumheida tanglaba numit 5nigi matam arembada manghallibasi chummi haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Yaoshangda yumthong khuding changduna shel khaiba, lambi thattuna shel mullibasi thingba ngamgani khanbra?

Yes 33% No 67%

য়াওশঙ কুম্হৈগী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলা, চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, স্পিকর ৰাই খোমচান্দ অমসুং ৰর্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎনচিংবনা য়াওশঙ কুম্হৈগা মরী লৈননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ ভবনদগী থাদোরকপা পাউজেল পীবগী চেরোল অমদা গভর্ণরনা হায়, য়েন্নীং থা লাকপগা ইরোয়ননা পাঙথোক্লিবা য়াওশঙ কুম্হৈনা খেন্নবা ৰাখল্লোন পূম্নমক কাউথোক্লদুনা অমত্তা ওইবগী মরী চেৎশিনহল্লি। য়াওশঙ কুম্হৈগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা শান্ন-খোৎনবগী থৌরম পাঙথোক্লুরি। নহা-অহল, কাঙলুপ অমসুং নুপা-নুপীগী খেন্নবা থমদনা শান্ন-খোৎনবগী থৌরমদা মীওই কয়ানা শরুক য়ারি। হন্দক চহীগী ওইনা য়াওশঙ কুম্হৈ লাকপদা হেন্না য়াইফবা অমসুং ঈং-তপ্না মণিপুর ওইহন্নবা ফিরেপ লৌমিন্নরসি হায়নসু গভর্ণরগী পাউজেল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থাদোরকপা পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, নহা-অহল অমসুং নুপা-নুপীগী খেন্নবা থমদনা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা কুম্হৈ অমা ওইরিবা য়াওশঙগা মরী লৈননা লমদম অসিগী মীপূম খূদিংমক্তা থম্মোয় শেংনা য়াইফ পাউজেল পীজরি। মতমগী অওনবা মতুংইন্না শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিংসু য়াওশঙ কুম্হৈগী শরুক অমা ওইরক্লে। অফবনা ফত্তববু মায়থীবা পীবগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা কুম্হৈ অসিনা লাকপদা মণিপুরগী মীপূম খূদিংমক্তা য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মখা লামায় ৩ কলম ৭

রিমসতা টেষ্ট তৌনবগী খূদোংচাবা ফংলগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস): রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওকেমিষ্ট্রিদা গ্লাইকোসিলেটেদ হিমোগ্লোবিন অমসুং হিমোগ্লোবিন ভেরিএন্টকী টেষ্ট তৌনবা খূদোংচাবা লৈরগনি। রিমসকী ...

মখা লামায় ৩ কলম ১

পাউচে পুথোক্লোই

য়াওশঙ কুম্হৈগা মরী লৈননা প্রেস ছুটি ওইবনা মার্চ ২২ দগী ২৬ ফাওবা পাউচে পুথোকচরোই।

- মেনেজর

নোর্থইষ্ট পিপল কনফরেন্স পাঙথোক্লগনি : মেনপেক

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর পিপল এগেনষ্ট সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ (মেনপেক)না শীন্দুনা লাক্লিবা এপ্রিল ১ দগী নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা ইম্ফালদা নোর্থইষ্ট পিপল কনভেন্সন অমা পাঙথোক্কনি। মসিদা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট তরেৎকী সী এস ওশিং শরুক য়াগনি হায়না য়ুম্নামচা দিলিপ কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

সেগা রোদ কোঞ্জেং হজারি লৈকাইদা লৈবা জে সী আই এল পি এসকী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মেনপেককী কনভিনর য়ুম্নামচা দিলিপকুমারনা হায়খি, মেনপেকনা মণিপুর মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিল্লকখিবা এন্টি সী এ বিগী মুভমেন্টকী মতাংদা পাঙথোকখিবা রিভিয়ু মীটিংগী ৰারেপ অমা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা অৰাং-নোংপোক লমদমগী মীয়ামগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা সী এ বিগী খোঙথাং অমদি তুংদা লাক্কদবা ইস্যু কয়াবু পূন্না থেংননবগীদমক নোর্থ ইষ্ট মীয়ামগী প্লেটফোর্ম অমা শেম্বা হায়না লেপ্পখি। ৰারেপ অসিবু থবক্তা ওন্থোক্নবগীদমক মেনপেককী কনভিনর য়ুম্নামচা দিলিপকুমারনা লুচিংবা মীহুৎ ১২ না শাবা টিম অমা ফেব্রুৱারী ২৭ তগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি। টিম অদুদা কো-কনভিনরশিং মরুওইনা নিংথৌজা লানচা, চন্দ্র হাওমৈ, পুমংচা হাওকিপ, পুয়াংসো কোইরেং, সোমেন্দ্রো থোকচোম, জাদুমণি লাইশংবম, অব্দুলা ফুন্দ্রেময়ুম, দোল্লর লোইতোংবমগা লোয়ননা কো-কম্মিটি মেম্বরশিং সুনিল করাম, পি ঐচ দেবান, জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনচিংবা শরুক য়াখি।

MANPAC
MANIPUR PEOPLE AGAINST CAB - 2016

টিম অদুনা ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, সিলচরগী মীহুৎশিংগা ...

মখা লামায় ৩ কলম ২

সী ঈ ওনা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা মীফম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস): লোক সভা মীখল ২০১৯গা মরী লৈননা মণিপুরগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও)না পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিং মীরেপ ওইগদবশিংগা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা খন্নবগীদমক মার্চ ২৩ দা মীফম পাঙথোক্নবগীদমক মতম লেপখ্রে।

মীফম অসিদা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিং, মীরেপ ওইগদৌরিবশিং, প্রিন্ট এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী মীহুৎশিংগা পূন্না ফম্মিন্নদুনা লোক সভা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট (এম সী সী), মীদিয়া সর্টিফিকেসন এন্দ মোনিটরিং কম্মিটি (এম সী এম সী), পেদ ন্যুজ, ইলেক্সন এক্সপেন্দিচর অমদি মীখলগী মোনিটরিংগা মরী লৈনবা হীরমশিং খন্নগনি। মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোক্ক-দৌরিবা মীফম অসিদা পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিং অমদি প্রিন্ট এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াবীনবা জোইন্ট চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা, ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মীখলগীদমক শেম শারিবশিং এদিসনেল চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর রঞ্জিৎনা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

মীফম অদুদা এদিসনেল চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা চত্থগদবা পোষ্টর কেম্প্যেনদা শীজিন্নগদবা পোষ্টরশিংসু লোঞ্চ তৌখি। পোষ্টরশিং অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর বিষ্ণুপুরনা মীখলগা মরী লৈনবা পাউজেল পীবগা লোয়ননা ইথিকেল ভোটিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা ৰাফম কয়া পোষ্টরশিং অদুদা ময়েক শেংনা পল্লি। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর পাৱন যাদব, এস পি বিষ্ণুপুর হোপসন সাপম, এ এস পি, এস দি ওশিং, ...

মখা লামায় ৩ কলম ১

অস! লোইরেহে!

হাই বোইনাউ নঙ হায়য়ু, ঐ ঈশিংদা চোংথৈ হায়বসি ইংলিশতা করম হায়না হায়গনি?



আই ৰাতর জবোং হায়গনি, সার!

ꯑꯄꯣꯜꯂꯣ ꯇꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ
APOLLO TUTORIAL CENTRE
Admission Open For
FOUNDATION COURSE - XI & XII Science
CLASS XII- ENGLISH TUTION (COHSEM) MORNING (SUN & HOLIDAY)
WANTED TWO RECEPTIONIST WITH COMPUTER KNOWLEDGE Apply On Or Before 31ST MARCH 2019
Facilities
✓ Hostel Seats For Boys & Girls
✓ Free Text Book Sets
✓ No Admission Fee
✓ MOCK Test Series
Special Concession
✓ SC/ ST / MOBC
✓ Meritorious Students
✓ Govt. School Students
✓ Hostelers (Apollo)
Form Issue: 01/02/2019 Class Starts: 02/04/2019 Class Timing: 4:30pm-7:40pm
LAST DATE OF ADMISSION 2ND APRIL 2019
FOR CLASS- X 2019 APPEARING STUDENTS 30% CONCESSION FOR 1ST 30 STUDENTS
For details please contact : Apollo office Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal 795001
HL-P/3313/24/1-23/3(Alt.)

A Unit of RaDiant Group
RaDiant e-ride
GREEN MANIPUR CAMPAIGN With E-VEHICLES
Be the Part of Change
OPENING SOON
E-Vehicle Showroom at Moirang
RaDiant E-Ride
GHARI AWANG LEIKAI, AIRPORT ROAD
✆ 9366288858
Branch Offices :
THOUBAL ATHOKPAM
✆ 7005355592
MOIRANG PATLOU LEIKAI
NEAR FISH MARKET
WARD NO. 1, MOIRANG
HL-B/5147/25/1-25/2

অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অত্তেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা
Manipur Cab Services
হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...
খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্ত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোঙ্দুনা চৎপিয়ু
Toll Free Number 1800-345-3838
GET IT ON Google Play
₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
Picnic, চুংহেৎলী অমদি অতৈ খৌরমশিংগী ওইনা অপম্বা মেজেশী package লৈরি
অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবা ঐখোয়গী পান্দমনি
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.
HL-P/6007/27/2-31/3